**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল অজয় কুমার ভালানা হায়রি- মণিপুরবু চাওখৎপা অমদি নুংঙাই য়াইফবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা ঐখোয় খুদিংমকা পুন্না হোৎনমিন্নবা চংই।

২) নম্বোল শাবল লৈকাই এম্মুসতা চেন্নবনি হায়বা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ পি.এল.এগী কাদর অমা সেকুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়াগা কোন্ননা ফারে।

৩) এন.আই.টি. মনিপুরগী ১২ শুবা কনভোকেসন রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হৌদোকখ্রে।

৪) থোঙাম বিশ্বজিৎ এম.এল.এ না হায়রি- বিক্সিত ভারত অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা বিক্সিত মণিপুর ওইহনবা হায়বসি য়াममক তঙাইফদে।
অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ৬৪ শুবা নেসনেল একজিবিসন ওফ আর্ট হৌদোকখ্রে।

------

রাজ্যপাল (এল) ঃ রাজ্যপাল অজয় কুমার ভালানা হায়রি- মণিপুরবু চাওখৎপা অমদি নুংঙাই য়াইফবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমকা পুন্না হোৎনমিন্নবা চংই।

রাজ্যগী প্লান্নিং বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকপা সম্পুরনাতা অভিয়ান সমান সমারো থৌরমদা ব্রা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- মণিপুরবু চাওখৎপগী লম্বীদা মাংজিল থাননবা হোৎনবদা পুমমক্কী দাইত্ব লৈ। ইমুং খুদিংমক মশা মউ ফনা লৈহনবা, মীপুম খুদিংমক লাইরিক হৈহনবা, লৌমীশিং মপাঙ্গল কনখৎহানবা অমদি মীয়াম পুমমক মরোমদোম লেপচবা ঙমনবা হোৎনবদা সরকারগী কর্ম্মচারিশিংনা পুকচেল শেংনা থবক তৌবা চংই। মীয়ামগী য়াইফননবা সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অমসুং ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামশিংগী কান্নবশিং মীয়ামদা নিংথিনা য়ৌহন্নবা  রাজ্যপালনা মরী লৈনবশিংদা আপীল তৌখি। মহাকা হায়- নিতিআয়োগনা খনগৎপা এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা মণিপুর চান্দেল জিলা য়াওরকপা অসিনা লমসি চাওখৎ লম্বীদা মাংজিল থানা চংশিল্লক্লি হায়বদু তাক্লে। ঐখোয় পুনশিন্দুনা থবক তৌমিন্নরবদি মনুং হুঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদসু থা মান্ননা চাওখৎমিন্নবা ঙমগনি হায়না রাজ্যপালনা মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চাদা ১০০ মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা সরকারগী ওফিসারশিং অমদি ফ্রন্ট লাইন ৱাকরশিংবু রাজ্যপালনা পুকিং থৌগৎখি।

কুমশি চহিগী ওইনা থৌরম অসি নিতি আয়োগকী এসপিরেস্নেল দিষ্ট্রিক্টশিং অমসুং ব্লোকশিংদা  মীয়ামদা শক্তি পীবা, চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা মীয়াম পুন্না শরুক য়াবা অমসুং ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংবু মখোঙদগী হৌনা শেমগৎপগী ৱাখল্লোনদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোকপনি। নিতি আয়োগনা খনগৎপা এসপিরেস্নেল দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা মনিপুরগী ওইনা চান্দেল জিলা য়াওরি অদুগা ব্লোকশিংগী মনুংদা চুরাচান্দপুর জিলাগী লমকা সাউথ অমসুং তুইবোং অদুগা চান্দেল জিলাগী চকপীকারোং য়াওরি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ থা অসিগী ১৯ দা বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল শাবল লৈকাই মপাদা এম্বুস তৌবদা চেন্নবনি হায়বা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ পি.এল.এগী কাদর অমা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা ঙসি ফারে হায়রি।

মণিপুর পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ৩৩ শুবা অসাম রাইফলস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কামেং এরিয়াদা খুৎলায় পায়বা মীওই খরা লৈরে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙসি নুংথিল মফম অদুদা চংশিনদুনা থিবা হুন্দ্বগী থবক চখখি। মদুদা অৱাং লৈকিলথবীদগী পি.এল.এগী মীওই অমা ফাবা ঙমখি। ফারবা মীওই অসিদগী মেগজিন মরিগা কোন্ননা এ-ফোর রাইফল অমা, মেগজিন অনিগা কোন্ননা ঐচ.কে. রাইফল অমা, মেগজিন মঙাগা কোন্ননা এ.কে. রাইফল অনি, মেগজিন অহুমগা কোন্ননা ইন্সাস রাইফল অমা, লেথোদ সেল অহুম অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফংখি।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা হায়- ফারবা মীওই অসি হৌজিক মচিন হংবগী থবক চখরি। এম্বুসতুদা চেন্নবা অতৈ মীওইশিংসু ফাননবা লেপ্পা লৈতনা থি হুন্দ্বগী থবক চখরি।

কনভোকেসন (এল) ঃ এন.আই.টি. মনিপুরগী ১২ শুবা কনভোকেসন রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হৌদোকখ্রে।

ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকপা থৌরমদা রাজ্যপালনা হায়-হৌজিক্কী নহাশিংনা লৈবাক অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবনি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ২০৪৭ ফাওবদা লৈবাক অসিবু ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী মংলান অদু ঙসিগী নহাশিংনা মংফাওনহনগদৌরিবনি। মরম অদুনাপান্দম অসি ফংনবা অমসুং লৈবাক অসিবু মাংলোমদা চংশিলহন্নবগীদমক হৌজিক্কী মতম অসিদা নহাশিংনা কন্না হোৎনবগী তঙাইফদবা অদু লৈরে। রাজ্যপালনা মখা তানা হায়-ঐখোয়না দিগ্রী খক পায়বগী মহুৎতা ঐখোয়না তম্লুরিবশিং অদু শিজিন্নদুনা মীয়ামদা মদুগী কান্নবসু ফংহনসি।

উখ্রুল (এল)ঃ উখ্রুল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অসিস দাসনা সিরা-রাখোং ভিলেজবু আদি কর্ম্ম যোগি অভিয়ানগী মখাদা পাইলোত ভিলেজনা ওইনা খনগৎলে হায়না ফোংদোকখ্রে। ৱাফম অসি ঙসি উখ্রুলগী দি.আর.দি.এ

হোলদা পাঙথোকপা আদি কর্ম্ম যোগি অভিয়ান দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা ফোংদোকখিবনি।

জিএসটি (এল)ঃ   বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং এম.এল.এ থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়রি- বিক্সিত ভারত অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা বিক্সিত মণিপুর ওইহনবা হায়বসি য়াম্মক তঙাইফদে। মহাকা হায়- মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা সমস্য কয়ামরুম থোক্লিবা অসিনা লমদম অসিগী শেনমিৎলোনদা চাউনা অকায়বা পীরে।

অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ পাউ কাংবুগা অখন্ননা উন্নবদা শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়- লমদম অসিগী খুৎ-শা হৈবশিং অমসুং লৌমীশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিংবু পুকিং থৌগৎতুনা শিজিন্নরবদি মপানদা চৎখিগদবা রাজ্য অসিগী শেনফম কয়া কনবা ঙমগনি। এম.এল.এনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা জি.এস.টি বচৎ উৎসব পাঙথোক্লিবা অসিনা লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক্তা কান্নবা পীবতা নত্তনা রাজ্যশিংবু হেন্না চাওখৎহনবদা হেন্না মতেং ওইরগনি। শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়- নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি অসিনা নহাশিং, মরুওইনা থবক ফংদ্রিবশিং, নুপীশিং অমসুং এম.এস.এম.ইগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং অমসুং এম.এস.এম.ইগী খুত্থাংদা মশা মরোমদোম থবক পীজদুনা শেনমিৎলোনদা হেন্না ফগৎহনবা ঙম্লগনি। শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়- জি.এস.টি হন্থরকপা অসিনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা হেন্না লাইথোকহনবা, শেল তুংশিনবা হেনগৎহনবা অমসুং করবার তৌরিবশিংনা হেন্না কান্নহল্লগনি।

সিসিপুর (এল) ঃ  নেসন ফার্ষ্ট এদরেট 75 কেম্পেন মখাদা ফোরেষ্ট বিভাগনা চুরাচান্দপুর জিলাগী বন্ধন বিকাশ কেন্দ্রশিংদগী খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংদা উদ্যোগকা মরী লৈনবা মেছিন য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া য়েন্থোকখ্রে। চুরাচান দপুর ফোরেষ্ট দিভিজন ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট বিভাগকী পি.সি.সি.এফস্ ওইরিবা এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরি অনুরাগ ভাজপায়না পোৎলমশিং অদু বেনিফিসরিশিংদা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অনুরাগ ভাজপায়না হায়- সেল্ফ হেল্প গ্রুপ মেম্বরশিংবু ফুড প্রোসেসিং অমদি ভেল্যু এদিসনগী লমদা নিংথিনা ত্রেনিং পীরবদি মসিনা খুঙ্গংগী লমশিংদা লৈরিবা ইমুং কয়াদা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমগনি। ফুড প্রোসেসিংগী হিরমদা শিজিন্নগদৌরিবা ঙসি য়েন্থোক্লিবা খুৎশু খুৎলায়শিং অসিদা বন্ধন বিকাশ কেন্দ্রশিংগী পোত্থোক হেনগৎহনবা ঙম্বতা নত্তনা হৌজিক কৈথেলদা ফংলিবা পোৎলমশিংগা হিদান্নবা ঙম্লগনি। খোঙথাং অসিগী মখাদা ত্রাইবেল মেম্বর লিশিং ১,২০০ রোমগী ইমুং মনুংশিং হকথেংননা কান্নবা পীরগনি হায়বা ৱাফম মহাকা ফোংদোকখি।

নারি (এল)ঃ স্বাস্তা নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি রাজ্য অসিগী জিলা ১২ দা হেলথ চ্যেক অপ কেম্প ৫৪ পাঙথোকখি। কেম্পশিং অদুদা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিংগী স্ক্রিনিং তৌখি।

নৈলিট ইম্ফাল এন.এস.এস য়ুনিত, লাইফ সেভরস মণিপুর, ষ্টেট ব্লড ত্রান্সফ্যুজন কাউন্সিল অমসুং ১৯৭৯ দি.এম.সি.এস.সি ষ্টেলৱার্দ পুন্না খুৎশম দুনা ঈ দান তৌবগী কেম্প অমা নৈলিটকী ওদিতোরিয়ম হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসি স্বাস্তা নারি সাসক পরিবার অভিয়ান অমসুং নেসনেল সার্ভিস স্কিমগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি।

৬৬ শুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফনা আই.জি.পি- এম.এন. সেক্তরগা পুন্না শিন্দুনা ব্লড দোনেসন কেম্প অমা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুনা পুন্না জৱান ১৭ না ঈ দান তৌখি।

জিরিবাম (এল) ঃ পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ক জিরিবাম ব্রাঞ্চনা নোংচুপ ঙাকপী জিরি ৱিমেন মল্টিপরপজ কোওপরেতিভ সোসাইতি লিমিতেদ জিরিবামগা খুৎশমদুনা ফাইনান্সিয়েল লিটরেসি কেম্প অমা ঙসি জিরিবামদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসি নেসন ফাষ্ট এদরেট 75 কী কেম্পেনগী মখাদা পাঙথোকখিবনি।

ভগ্যাচন্দ্র (এল)ঃ রাজাশ্রী ভগ্যাচন্দ্র এন্দ দা সেপ্পিং ওফ মনিপুরস কলচরেল হোরাইজন্স হায়বসিদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা মালেম থাক্কী মীফম অমা ঙসিদগী মনিপ্‌র য়ুনিভরসিতিগী কোর্ট হোলদা হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার-নাওরেম লোকেন্দ্র হায়- রাজাশ্রী ভগ্যাচন্দ্র অসি মণিপুরগী কলা সংস্কৃতি, পার্ফোমিং আর্টস য়াওনা লমদম অসিগী য়ামা কন্না হোৎনরম্বা মীশকনি।

রাজ্যশ্রী ভগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসনগী ৱাঙাংলোই-তখেল্লম্বম ইরাবত সিংহনা হায়- থৌরম অসি শিনবগী মরুওইবা রাজ্যশ্রী ভগ্যচন্দ্রনা থম্বীরম্বা তাংলবা লনশিং অদু তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলশিংদা খঙহৌনবনি। হৌজিক্তি রাজ্যশ্রী অসিগী মরমদা খঙবা অখঙ অহৈশিং মশিং য়ামশিল্লক্ত্রে। মরম অদুনা মখোয়দগী তাংলবা লনশিং অদু খঙজিলহৌবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

মীফম অসি রাজাশ্রী ভগ্যাচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মনিপুর-ইন্দিয়া, কলেজ দিবলপমেন্ট কাউন্সিল মনিপুর য়ুনিভরসিতি অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ সংস্কৃর্ত্তন মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরনা শিনবা থৌরম অদুদা রাজাশ্রী ভগ্যাচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-আর.কে. জিতেন্দ্রজিৎ সিংহ অমসুং কারয়াৱা, আর.এস.এস. অসাম ক্ষেত্রা-খ্বাইরাকপম রাজেন সিংহ শরুক য়াখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিনার পুজা এলাংবমনা ক্‌ম্বী শনে দাং অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকপা সাইন্স, মেথমেটিক্স, আর্টস এন্দ ক্রাফটস, ফ্লৱারস এন্দ ফোটোগ্রাফি একজিবিসন ২০২৫ ঙসি হৌদোকখ্রে। একজিবিসন অসি স্কুল অসিগী মেনেজমেন্ট কমিতি অমদি এলুমনাই ওর্গনাইজেসন্না শিনবনি।

কংগ্রেস (এল)ঃ বিহারগী পাটনাদা ঙসি পাঙথোকখিবা কংগ্রেস ৱার্কিং কমিতিগী মীফমদা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্রনা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং য়াওনা ৱাফম কয়া পুখৎখ্রে।

মীফম অদুদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং সি.এল.পিগী লুচিংবা ওক্রেম ইবোবীসু শরুক য়াখি।

নোনে (এল)ঃ নেসনেল ফুড সেক্যুরিতি এক্ট (নফসা) অমসুং পি.এম. কিসান স্কিমগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারেনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি নোনে জিলাগী পিছলেন্দ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সি.এ.এফ এন্দ পি.দি নোনে জিলাগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর চুনপুইলু রোংমৈনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

ডে (এল)ঃ থৌবাল কলেজগী কেমিষ্ট্রি অমসুং ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স বিভাগনা শিন্দুনা ঙসি কলেজ অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা মালেমগী ওজোন নুমিৎ পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসার এ. নবাচন্দ্র সিংহনা অথোইবা মীথুং ওইখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা পোষ্টর কেম্পেন অমসু পাঙথোক্লুনা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রোপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ৬৪ শুবা নেসনেল একজিবিসন ওফ আর্ট হৌদোকখ্রে।

ললিত কলা একাদমিনা শিনবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- লৈবাক অসিনা শেল থুমগী লমদা মাংজিল থারকপা অসিগী মথক্তা কলা সংস্কৃতিগী লমদসু মকোক থোংবা লমদম অমা ওইনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নশি। আর্ট হায়বসি কলা সংস্কৃতিগী পুক্কৈ ইনাক খুলহনবা অমদি মীয়াম্বু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংনবা হোৎনবদা কান্নরবা খুৎলায় অমনি। ভারতকী কলা সংস্কৃতি অসি লেপ্পা লৈতনা চাওখৎলক্লি। মহাকা হায়- ললিত কলা একাদমিনা আর্টিষ্টশিংনা পুথোক্লিবা তোঙান তোঙানবা কলাগী থবক থৌরমশিং য়োনবগী থবক অমা পায়খৎলক্লিবা অসিনা কলাকারশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবা ঙম্লগনি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ্ সেখাৱট, ললিত কলা একাদমি নিউ দিল্লিগী ভাইস চেয়ারমেন ডাঃ নন্দালাল ঠাকুরসু শরুক য়াখি।

য়োজনা ঃ প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা গ্রামিনগী মখাদা লৈবাক অসিদা য়ুম কোতি ২ লাখ ৮২ শাখ্রে। সরকারগী চেরোল অমনা হায়- স্কিম অসিগী মখাদা খুঙ্গংগী ইমুংশিংদা চাকখুম অমদি টোইলেট য়াওনা পক্কাগী য়ুম শাবগী খুদোংচাবা পীরি। স্কিম অসি য়ুম লৈজদবা খুঙ্গংগা মীয়ামগীদমক য়ুম শানবা ইং ২০১৬ তা হৌদোকখিবনি। চহি অসিগী ওগষ্ট থা ফাওবদা স্কিম অসিগী মখাদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না য়ুম কোতি ৪ লাখ ১২ শানবা অয়াবা পীখিবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ লৈহাউ দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.ইয়ু ককচিং শুগনু ফুটবোল ক্লব পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

গেমস (এল)ঃ ৱাংজিং কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা অহানবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ২০২৫ ঙসিদগী হৌখ্রে। গেমস অসিদা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট ২০ দা শান্নরোই লিশিং ১,৫০০ রোম অমসুং ওফিসিয়েল ৫০০ রোমা শরুক য়ারি।

সুত্তিং (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতি স্পোর্টস কমিতিগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গৌরগোবিন্দ গার্লস কলেজ খুরাইনা শিন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ইন্তর কলেজ সুত্তিং তুরনামেন্ট মথং থাগী ১ দগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী সুত্তিং রেঞ্জদা হৌরগনি। তুরনামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিংনা ইন্ত্রি ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৯ নি।

ক্রিকেট (এল)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী সেক্রেতরি লৈশাংথেম রোনেলবু আই.সি.সি ৱিমেন ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ ২০২৫ দা শরুক য়াগদৌরিবা ভারতকী নুপী ক্রিকেট টিমগী এদমিনিষ্ট্রেতিভ মেনেজর ওইনা খল্লক্লে। মহাক থা অসিগী ১৮ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

ক্রিকেটঃ এসিয়া কপ ক্রিকেটকী সুপর ফোরগী মেটচ অমদা ঙসি ভারতকা বঙ্গলাদেসকা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং নুমিদাং পুং ৮ তাবা মতমদা দুবাইগী ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

ঙসিগী অথোইবা অদুনা ফাইনেল চংবগী খুদোংচাবা ফংগনি। টিম মনিমক সুপর ফোর ষ্টেজগী অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রবনি। ভারতনা পাকিস্তানবু অনিরকশুবা ওইনা টুর্নামেন্ট অসিদা মায়থিবা পীখি অমসুং বঙ্গলাদেসনা শ্রীলঙ্কাবু পীখিবনি।

------